থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

পুন্সি করিনো? করিগীদমক হিংবনো?

start with why
People don't buy what you do, they buy why you do it.
START

অঙাং ওইরিঙৈগী (স্কুল তম্লিঙৈগী) পুন্সিদু নীংশিংবগী নুংঙাইবা পুন্সি মথেল অমনি। কান্নবা খরা। কান্নদবা খরা। হৌখ্রবা মতম হায়বসি শীখ্রবা মীৎকুপ ঙাক্তনি। নীংশিংলুবা কান্নদে, 'অনুতাপ'না থনবনি, লাক্কদবা মীৎকুপশিং অদুগী খল্লগা প্লান তৌ - মায় পাকপগী লম্বীদা চৎনীংলিবা নহারোলদা মায় পাক্ক বা অহল্লোনগী পাউতাক্কি। মায়থীবা মীৎকুপশিং অদুনা মায়পাকপগী য়ুম্বীনি - অমুক পাউতাক পীশিল্লি। হৌখিবা মতমগী মায়থিবা মীৎকুপশিংদু নীংশিংদনা য়ুম্বী করম য়ুংলুনি? মী হায়বসিনা পীনরিবা পাউতাকশিং - খরা লৌ, খরা লৌদ ... চৎপা তাবনি শাংলবা (অদুবু তেল্লবা) পুন্সি লম্বেলসিদা।

ঙসি ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সিদা ওজাশিংনা ইবা তম্বীরকখিবা ... 'মাই এইম ইন লাইফ' ... (ঐগী পুন্সি পান্দম) হায়বা রচনা (এসে/অতেনবা ৱারেং) শিংদু তত্তনা নীংশিংই। ঐনা হিংলিবা পুন্সি মহীং, থেংনরিবা খুদোংচাদবা, ফঙলিবা খুদোংচাবা পুম্নমক্তুগা মরী অমত্তা লৈনদবা 'পুন্সি পান্দম' - হান্নগা ইথোক্লবা ইসেগী খোমজিনবা লাইরিকশিংদগী খনগৎলগা চীনফমা পুহনখিবদু কাউবা ঙমদ' নীংশিংই। অদুক কান্নবা পুক্লিংগী এক্সরসাইজ মখলদু কান্নফম খঙদ' তৌহল্লকখি। লৌমী ওইগদবা কনাবু দাক্তর ওইনি হায়হনখি, ঈশৈ শক্কদবা মীদুসু এঞ্জিনিয়র ওইনি ইহনখি ... ওইফম থোকপা মহাক্তু ওইগনি খন্না ইখিবা অঙাং অমত্তা য়াওখিদে। অদুনা মরম ওইরমগনি - অদুগুম্বা হীরমদু ঙসি লৌথোক্লখ্রিবা। পুন্সিগা শম্নে/শম্নদে খঙদনা, মমালোন খঙদ্রিবা মচাদুনা 'বা বা ব্লেক সিপ, হেব য়ু এনি রুল' হায়না ঈশৈ শক্লকপদা, ঈচা লাইরিক হৈরে, ইংলিশ লোল্লে খন্দুনা মপুক পেন্না নোকচবা মমা মপা মশীংনা মেজোরিতি ওইরিবসিগী অফ-ফত্তা কনানা নৈনখ্রবগেনে? 'ব্লেক সিপ' হায়বসিগী ৱাহন্থোক 'শাগৈগী মৈতাল অশিবা' (শাগৈ চেন্থবা ফত্তবা থবক তৌবা মী) হায়বনি হায়বসিবু খঙবা মমা-মপা কয়াম য়াওরমগদগে?

ৱারৌবীগনু। হায়ফম থোক্তবা খরা হায়খ্রমাল্লে। থম্মোয়সিনা তমগে খল্লুবা ঈপাউনা অমনি। মীওইনা পোত্তুনা পুন্সি অমা শাগোন্নরুরবা ঐহাক্লা পুন্সিসিদা তৌগদবসি করিনো - খন্না অমদি খঙনা হিংবা মীসিবু ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা (পীক্লবা ঈরৈবাকসিদা) কয়া লৈরমগদগে? ৱাখল অসি খল্লকপনি। করি তৌরগা ঐনা নুংঙাইগদগে? ঐনা পামজবা শিনফমসিদা, ঐনা তৌগে খনবা থবকসিদা মতেঙ-ঈতেঙ পাংনদুনা পুন্সি লেনমীন্নগদবা 'পুন্সি খোঙলোয়' কনা ওইগদগে? অসিনচিংবা ৱাখলসি খনবা কনা লৈর'গে? মপাউ-ঈপাউ ফাওনবা খরদুনা তমনীংলুবনি।

পোৎকা-পোৎকা ওন্নরগা (বার্তর সিষ্টেম অদুদা) হিংনরম্বা পুন্সি মহীংদগী শেলনা পোৎ লৈবগী চৎনবীদুদা ওনশিল্লকপা কুইদ্রিবা, চীংনা পুমকোয় কোয়শিনবা অপীকপা কৈথেল, অপীকপা খুন্নাই ওইবনা - ৱাদনা শেল ফঙবা মীওই খরা লৈরম্বদু পুম্নমক্কী ফিদম ওইরকখি। মমা মপা পুম্নমক্লা, মচাবু দাক্তর/এঞ্জিনিয়র ওইহল্লগা নুংঙাইবা পুন্সি ফংগনি, পুন্সিগী মঙলান ওইরকখি।

ঙসিদি, তাইবং মচু ওনখরে। শেলগী মচু হোংলক্লে। অঙাং ওইরম্বদগী নহা ষ্টেজ চঙশিল্লকপা, পুন্সি- খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা 'তর্নিং পোইন্ত' (পুন্সি-চুথেক) - মেত্রিক চাংয়েং পরিক্ষাদা মকোক মথঙ তারবা মহৈরোয়শিংগী অমত্তা ওইবা খোন্থোক ওইরক্লে... 'ঐহাক সিভিল সর্ভেন্ত ওইগনি'...। অঙাং ওইরিঙৈগী 'মাই এইম ইন লাইফ' - খোল্লাউ অসি নত্তরা ?

হৌজিক, মখা তাবা ৱাহং অনীখক থোক্লকই - হ্বায় (করিগী)? অমদি হ্বাত (করিনো)?

'ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিব সর্ভিসতা চঙলগে খল্লবা মীশিংদুগী ৱা'ঙাক নত্তে। লোয়র ওইগে, পুলিস ওইগে, সাইন্তিষ্ট ওইগে, প্রোফেসর ওইগে ... দাক্তর ওইগে, এঞ্জিনিয়র ওইগে ... লৌমী ওইগে, কার্পেন্তর ওইগে, ঈশৈ শক্কে, লাই য়েক্কে, এক্তর ওইগে ... কন্ত্রেক্তর ওইগে, পোলিতিসিয়ন ওইগে ... মঙলান/ পান্দম খুদিংমক্তা 'হ্বাত' অমদি 'হ্বায়' - হংদবা য়াদবা ৱাহংনি। করিগীদমক পাল্লিবা? পান্দম অমা ফঙনবা। পান্দম (পর্পজ) অদুদি করিনো? পর্পজ হায়বদি 'অনীংবা/অপাম্বা অমগী ওইহন্নীংবা মহয়।'

'করি' (হ্বাত) হায়বসিনা করিনো? লুরিবদি মসিনি। ঐখোয়না তৌগদবদু করিনো? তৌদৌরিবা থবক (মিসন) অদু করিনো? 'মিসন' হায়বদি কনাগুম্বা মীশক অমা, নৎত্রগা কাঙলুপ অমদা করিগুম্বা 'তৌদ-য়াদবা' থবক অমা শীন্নরিবা অদুনি। অদু ওইরবদি, মিসন অমগীদমক খোঙশাল্লমদাইদা - মিসন অদু করিনোঐ করিগী তৌদৌরিবনো হায়বদু মুন্না তরেৎ-তরা থোক্লা নৈনরগা অমদি তাকপীরগা চঙবা অদুগা - পুন্সিগী শিনফম অমা পায়নবা ৱাখল-ফিরেপ লৌবদুগা করি খেন্নরিবগে? 'হ্বায়' হায়বা ৱাহংদুগী পাউখুমদুদি অরায়বনি, 'হ্বাত' হায়বগী পাউখুমদুনি লুরিবা।

ৱাহং অসি ঈরায় লায়না লৌবীনুকো। তহা তহাসু খুন্বীগনু। লৈপাক অসি মশক মুন্না খঙদনা, ফিরেপ লৌবা য়াদবনি, পাউখুম পীবা য়াদবনি। পাউখুম অদু ফঙদনা চঙশিল্লুবা 'মিসন' দি, ফেল সোয়দনা ওইরদৌবা 'মিসন' নি। ফেল ওইরবা মিসন চঙশিল্লুবা মমা-মপা, মশীং খঙদা উবীরম্ল'নি। ঙসিসু লেপ্তুনা চঙশিল্লি। পাউদম অসি ইজরিবা ঐহাকসু অদুগুম্বা অমনি।

অদুবু অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা - করিগীনো অসুম্না থোক্লিবা? হ্বায় ইত ইজ সো হেপ্পনিং? ৱাহংসিগী পাউখুমদি লুদবনি। ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা 'পোলিতিক্সকী হ্বায় অমসুং হ্বাত' হায়বদু করিনো খঙদবননি। পোলিতিক্স করিনো খঙদবা! করিগীদমক পোলিতিক্স তৌরিবনো খঙদবা!

লৌশিং পুক্কে

পুক নোয়বা অমসুং লিভর কেন্সর

কা হেন্না য়ু থকপা অমসুং ভাইরেল হেপাটাইটিস ইনফেক্সন খক্তনা লিভর কেন্সর ওইহল্লকপা নত্তে। পুক নোয়বা (খ্বাঙ চাউবা) হায়বসিসু লায়না অসি ওইহল্লক্নবগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

অমেরিকান কেন্সর সোসাইটিগী রিছার্চর পিটর কেম্পবেলনা হায়খি, খ্বাঙ চাউবা ইঞ্চি ৫ হেনগৎলকপা মতমদা লিভর কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৮ হেনগৎলকই। তৌবগীবুদি য়ু কা হেন্না থকপা, ভাইরেল হেপাটাইটিস ইনফেক্সন অমসুং পুক নোয়বা অসিনচিংবা পুম্নমক লিভর কেন্সরগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টর ঙাক্তনি।

লিভর কেন্সর হায়বসি হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনবগা লৈনবা লায়না ওইবা মরম্না মীপুম খুদিংমক মশা-মশাগী চহী মতাং অমদি মরেপকী মতুংইন্না হকচাংগী অরূম্বা চপ চানা থম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমেরিকান কেন্সর সোসাইটিনা হায়খি, মালেমদা হৌজিক লিভর কেন্সর নাবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মরুওইবা মরমদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপা অমসুং দাইবেটিসকী কেস হেনগৎলকপননি। ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা রিছার্চরশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই মিলিয়ন ১.৫৭ কী অৱাংবা, হকচাংগী অরূম্বা, য়ু থকপগী মওং, মৈখু শীজিন্নবা নৎত্রগা শীজিন্নদবগী মওং অমদি অতৈ কেন্সরগী রিস্ক ফেক্টরশিং কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা পুক নোয়বা মীওইশিং লিভর কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়বা রিছার্চরশিংনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি।

অমরোমদা, হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপা য়াই হায়বসি হান্নদগী খঙনদুনা লাক্লবা ৱাফমনি। অদুবু অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না পুক নোয়বা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা হার্ট এটেকে তৌরগা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি।

'জর্নেল ওফ দ অমেরিকান কোলেজ ওফ কার্দিওলোজি'দা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুপাগীনা ইঞ্চি ৪০ খ্বাঙ চাউবা অমসুং নুপীগীনা ইঞ্চি ৩৫ খ্বাঙ চাউবা তারবদি হার্ট এটেক নৎত্রগা অতৈ থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৭০ রোম হেনগৎলকই। খ্বাঙ চাউবগা লোয়নন্না বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ৱাংলবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই।

মীওইবদা ভিসরেল অমসুং সবক্যুটেনিয়স হায়দুন ফেট মখল অনী য়াওই। সবক্যুটেনিয়স ফেটতি উনসাগা হেক তাইননা লৈ। অমরোমদা, ভিসরেল ফেটতি লিভর, হার্ট অমসুং মশল য়াওবা মরুওইবা ওর্গানশিংগী অকোয়বদা লৈ। ভিসরেল ফেটনা টাইপ-টু দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক অমসুং অতৈ ক্রোনিক দিজিজ কয়া ওইহল্লকই। ভিসরেল ফেটকী চাং ৱাংলবদি ব্লদ প্রেসর অমসুং কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপগা লোয়নন্না ভেস্ক্যুলর দিজিজ, এথরোসক্লেরোসিস (ঈ উতোং কনশিল্লকপা) অমদি হার্টকী ৱাল থাগৎলকপনচিংবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া ওইহল্লকই। পুক নোয়বা, খ্বাঙ চাউবা তারবদি দাইবেটিসকী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

ভিসরেল ফেট অসি পুক্কী শরুক্তা নম্না লৈ হায়বগীদমক 'বেলি ফেট' হায়নসু খঙনৈ। ময়াং কংবা মীওইসু পুক নোয়বা য়াওই। ভিসরেল ফেট য়াম্না য়াওবদগী পুক নোয়খৎলকপনি। জর্নেল ওফ দ অমেরিকান কোলেজ ওফ কার্দিওলোজিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ময়াং কংনবা নৎত্রগা মশা নোয়বগী ৱাফম্না তোখায়না থমখ্রগা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবসি পুক নোয়বনি। পুক নোয়রবদি হার্ট দিজিজ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

নুপাগী ওইন্না ইঞ্চি ৩৭ তগী ইঞ্চি ৪০ ফাওবা খ্বাঙ চাউরবদি ওভরৱেথ ওইরে হায়না লৌনৈ। ইঞ্চি ৪০ দগী হেনখ্রগনা ওবেস ওইরে হায়না লৌনৈ। নুপীগী ওইনদি ইঞ্চি ৩১.৫ দগী ইঞ্চি ৩৪.৬ ফাওবা খ্বাঙ চাউরবদি ওভরৱেথ অমসুং ইঞ্চি ৩৪.৬ হেল্লগনা ওবেস ওইরে হায়না লৌই।

মীওইবনা কয়া য়াম্না চাশিনবগে অমসুং ফেট কয়া য়াম্না তুমহনখিবগে হায়বদু ফেট সেলনা থাদোরকপা হোর্মোনশিংগী মখা পোল্লি। হায়রিবা হোর্মোনশিংগী মনুংদা লেপটিনসু অমনি। লেপটিননা অরাম খৌরাংবা পোকহনবগী চাং হন্থহনবগা লোয়নন্না ফেট তুমহনবদা মতেং পাংই। ফেটকী শরুক তুমহনখিবা মরম্না হকচাংদা ফেট তুংদুনা লৈহন্দে। চিনিগী শরুক কা হেন্না চারবদি হকচাংদা ইনফ্লেমেসন থোকহনবগা লোয়নন্না ফেট সেলশিং শেমগৎলকই। পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা অচাপোৎ অমদি সোফ্ট দ্রিঙ্কশিংদা চিনিগী শরুক কা-হেন্না য়াওই। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি তোয়না শীজিন্নরবদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপগা লোয়নন্না পুক নোয়থোরকই অমসুং য়ুরিক এসিদ ৱাংখৎলকই।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ইনফ্লেমেসন থোকহনদবগা লোয়নন্না ভিসরেল ফেটকী শরুক হন্থহল্লি। অদুম ওইনমক হকচাং শাজেল তৌবখক্তুনা ফেটকী শরুক হন্থহনগদবা নত্তে। চাবা থকপদা চেকশিনবসু মথৌ তাই। ময়াং কংবা অমদি হকচাংগী অরূম্বা শুদবা মীওইশিংদসু ভিসরেল ফেটকী শরুক য়ামখৎলকপা য়াই। মপান থোংদগী য়েংবদা ময়াং কংবা মাল্লগা অকোয়বদা ভিসরেল ফেট পৈশিল্লকপা য়াওই। খ্বাঙ অমদি পুক্কী শরুক্তা নোয়বা মীওইশিংদা ভিসরেল ফেটকী চাং ৱাংনা য়াওরবনি। মসিনা তোঙান তোঙানবা লায়না ওইহল্লকপগা লোয়নন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই।

ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌদবা মীওইশিংদি থা ৬ কী মনুংদা ভিসরেল ফেট চাদা ৮.৬ লোম হেনগৎলকই। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরগনা সবক্যুটেনিয়স ফেট অমসুং ভিসরেল ফেট চাদা ৭ হন্থখি। ভিসরেল ফেটকী চাং ৱাংখৎলক্লবদি লিভর কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা মরম্না মীপুম খুদিংমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়নন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। অমেরিকান কেন্সর সোসাইটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কেন্সর ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদগী পুক অনোয়বা হন্থহনবনা হেন্না মরুওই।

লমদম অসিদা সোলর ইনর্জি নীংথিনা শীজিন্নদুনা চাউখৎপা পুরক্নবা হোৎনসি : গিনশুয়ানহাও

on 13th & 14th July, 2017
at Imperial Hall of Classic Grande, Chingmeirong, Imphal
ORGANISED BY : MANIREDA

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : সোলর ইনর্জি নীংথিনা শীজিন্নদুনা চাউখৎপা পুরক্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মণিপুর রিনুয়েবল ইনর্জি দিভলপমেন্ট এজেন্সী (মনিরেদা) গী চ্যেয়রমেন ওইরিবা এম এল এ গিনশুয়ানহাও জৌনা ঙসি ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা গ্রিদ কন্নেক্তেদ রুফ তোপ এন্দ স্মোল সোলর পাৱর প্লান্টকী নুমিৎ নীনিগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মনিরেদানা শীন্দুনা হয়েং ফাওবা চত্থগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ গিনশুয়ানহাও জৌনা হায়খি, সোল পাৱর ইনর্জি অসি মপুং ফানা শীজিন্ননবগীদমক হোৎনমিন্নসি। প্রাইম মিনিষ্টরনসু সোলর ইনর্জিদা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলক্লি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু ষ্টেট অসিদা সোলর পাৱর ইনর্জি নীংথিনা শীজিন্ননবগী মতাংদা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি।

মনিরেদা অসি হৌজিক ওতোনোমস ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা লৈরি। মসি দিপার্টমেন্টকী থাক্তা ওনখৎপা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদসু খঙহনগনি। সোলর পাৱর ইনর্জি মপুং ফানা ষ্টেট অসিদা শীজিন্নদুনা হীরম অসিদা য়াম্না চউখৎপা ওইহন্নবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্তর এল প্রিয়োকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা গ্রিফ কন্নেক্তেদ রুফ তোপকী থৌরাং পায়খৎকদৌরিবা অসি মায় পাকহন্নবগীদমক কঞ্জুমর অমদি মীয়ামদা নীংথিনা এৱেয়র ওইহনবা তঙায়ফদে। রুফ তোপ পাৱর অসি মতৌ করম্না পায়খৎকদবনো অমদি মসিগী কান্নবা করিনো হায়বদু মাঙজৌননা নীংথিনা খঙহনবা চঙই। হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙমিন্নরবদি থবক অসি পায়খৎলকপা মতমদা খুমাং চাওশিনবা ঙমগনি। মনিরেদানা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা এন আই এস ঈগী অখঙ অহৈ কয়াসু লাক্লি। অখঙ অহৈশিংনা সোলর পাৱর ইনর্জিগী মতাংদা ৱা ঙাংগদৌরিবা কয়া অসি নীংথিনা তাশিল্লগা খঙনবা হোৎনবা চুমগনি। হৌজিক্কী মতমদা সোলর পাৱর ইনর্জি অসি য়াম্না মরুওইবা ইনর্জি অমা ওইনা লৌনরক্লিবনি। ষ্টেট অসিদা সোলর পাৱরগী লমদা মাঙজিন থানা চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি।

গ্রীফ কন্নেক্তেদ রুপ তোপকী থবক অসি পায়খৎলকপদা তঙায়ফদনা তৌগদবা থবক থৌরাংশিং অদু মাঙজৌননা মীয়ামদা খঙহনবা চঙই। মনিরেদানা ষ্টেট অসিদা সোলর পাৱর ইনর্জিগী লমদা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। সোলর পাৱর ইনর্জি অসি নীংথিনা শীজিন্নরবদি ষ্টেট অসিদা মথৌ তারিবা ইনর্জিগী চাং অসি ফঙনবা হোৎনবদা য়াম্না কান্নবা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মনিরেদাগী দিরেক্তর এল মঙলেমনা হায়খি, চাউখৎলবা লৈবাক কয়াদা রিনুয়েএবল ইনর্জিগী থবক অসি মায় পাক্লা পায়খৎনরি। সোলর ইনর্জি য়াওনা রিনুয়েএবল ইনর্জি ষ্টেট অসিদসু নীংথিনা পুথোক্লবগীদমক মনিরেদানা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা রুফ তোপ সোলর ইনর্জি প্লান্টকী থবক কয়া পায়খৎপা লৈখ্রে। সোলর ইনর্জি নীংথিনা শীজিন্নবা মফম কয়া লৈরি।

সোলর পাৱরদগী মৈ মেগাৱাট মশীং য়াম্না পুথোক্লবা পান্দম অমগা লোয়নন্না থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। ষ্টেট অসিদা গ্রীদ কন্নেক্তেদ রুফ তোপ মপুং ফানা পায়খৎনবা অমদি স্মোল সোলর পাৱর প্লান্ট কয়া শেমগৎনবা মীৎয়েং থল্লি। মসি মায় পাকহন্নবা কন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এন আই এস ঈ অমদি নেলিটকী অখঙ অহৈ কয়ানা সোলর ইনর্জিগী মতাংদা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। নুমিৎ নীনি চত্থগদৌরিবা ৱার্কশোপ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই কয়ানা শরুক য়ারি। থৌরম অদুদা মনিরেদা অমদি এম এস পি দি সী এলগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

য়ুনাক্কো, এস বি আইনা সী এম রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ৭.৫০ কৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : য়ুনাক্কো স্কুল, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) ইমপ্লোয়ী এন্দ ব্যুজিনেস এক্সেলেন্স গ্রুপনা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ৭.৫০ কৎখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসিদা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমদি মীওই কয়ানা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা শেলগী তেঙবাং পীনরকখিবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি য়ুনাক্কো স্কুল অমদি এস বি আইগী ইমপ্লোয়ীশিংগী মায়কৈদগী রিলিফ ফন্দদা শেলগী তেঙবাং অদু পীখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ুনাক্কো স্কুলগী মেনেজিং দিরেক্তর অমদি চ্যেয়রমেন এন ইরাবন্তনা লুচিংবা ষ্টাফ টিমনা চীফ মিনিষ্টরদা লুপা লাখ মঙা খুৎশিন্নখি। এস বি আই ইমপ্লোয়ী এন্দ ব্যুজিনেস এক্সেলেন্স গ্রুপনা লুপা লাখ ১.৫০ অমদি লুপা লাখ অমা মথংশিংনা রিলিফ ফন্দদা কৎখি। এস বি আই ইমপ্লোয়ীগী ওইনা এস বি আই রিজনেল ব্যুজিনেস ওফিস ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর কমল খনন অমদি ব্যুজিনেস এক্সেলেন্স গ্রুপকী ওইনা মসিগী কনভিনর হেরো থোকচোমনা শেনফম অদু খুৎশিন্নখি।

পনবা য়াই, অপুনবা মতম ঈশৈ কাঙলুপ, মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন অমদি ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট এদেদ কোলেজ টীচর্স এসোসিয়েসন্না লুপা লাখ অমমম চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা খুৎশিন্নবা লৈখ্রে। মেগা মণিপুর স্কুল য়ারলপাৎনসু লুপা লিশিং ১৫ রিলিফ ফন্দদা খুৎশিন্নবা লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী রিলিফ ফন্দদা মতেঙ পাঙলকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়নসু মখা তারি।

চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা মখা তানা তেঙবাং পীবীনবগীদমকসু সী এমনা আপিল তৌখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

মিদ দে মিল ৱার্কর্শিংগী দিমান্দশিং লৈঙাক্তা তকশিল্লগনি: য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী দিমান্দ কয়া লৈঙাক্তা তকশিল্লগনি হায়না মিদ দে ৱারকর্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানিনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ৱাই ইন্দ্রানিনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা স্কুলশিংদা চাক থোংবগী থবক তৌরিবা মিদ দে মিল ৱারকরশিংনা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। থা অমদা শুপ্নগী লুপা ১০০০ অমখক ওনরেরিয়ম ওইনা পীবিরি। মিদ দে ৱারকরশিংগী অৱাবা কয়া অসি লৈঙাক্তা খঙহল্লগনি অমদি দিমান্দ কয়া পীবীনবা তকশিল্লগনি।

মিদ দে মিল স্কীম অসি স্কুল চৎলিবা অঙাংশিংনা চারা নাম্মতা ওইরবসু মচি ওইবা চীঞাক পীজদুনা মহৈ তম্বদা পুক্নিং চঙনবা পান্দমদা সেন্তরগী স্কীম অমা ওইনা কুমজা ১৯৯৫ তা হৌদোকখিবনি। হৌজিক্তি মসি নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট ২০১৩ না কোনশিনখ্রে। থবক পাঙথোকপদা মথৌ তাবা খুদিংমক অমদি চঙদ্রবা য়াদ্রবা খুদিংমক ফঙহনবা চঙই। প্রাইমারি থাক্কী মহৈরোয় অঙাংশিংদা চাক থোং-থাক্তুনা পীজরিবা মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়াগী মতাংদা কর্নাটাকাগী পানকুরদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ মিদ দে মিল ৱারকর্সশিংগী কনফরেন্সতা খন্ন নৈনখি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী খুদোংচাদবা কয়া তম্নখি। মণিপুরদগীসু দেলিগেট অহুম্না কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াদুনা মিদ দে মিলগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুথোকখি। কানপুর সিটিদা মশীং য়াম্লবা মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা রেল্লি চৎখিবগা লোয়নন্না জুলাই ২ অমসুং ৩ দা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী ওইবা হীরম কয়াদা খন্ন নৈনখি।

থোং থাকপগী মচাক-মথুম শিনলাংবগী থবক মিদ দে মিল ৱারকরশিংনা তৌজবা ষ্টেট কয়াসু থেংনরকখি। মণিপুরগী ওইনা হৌজিক মিদ দে মিল ৱার্করশিংদা পীরিবা ওনরেরিয়ম অসি মতমগা চুনদ্রে। মিদ দে মিল ৱারকরশিংগী ওনরেরিয়ম হেনগৎহন্নবা অমদি তোঙান তোঙানবা ৱাকৎ কয়া তকশিল্লগনি। মথৌ তাবা খোঙজং কয়াসু চঙশিনগনি।

কানপুরদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা মণিপুরগী ওইনা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ইন্দ্রানি অমদি সেক্রেটরি ইন্দুবলাবু নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল কাউন্সিল মেম্বর ওইনা মথংশিংনা খল্লক্লে।

কনফরেন্স অদুনা মরুওইবা দিমান্দ ১৪ থমখি। দিমান্দশিং অসি ফঙনবা হোৎনবদা শরুক য়াবা হায়নসু ৱারেপ তাখি। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা মিদ দে মিলগী পে হেনগৎহনবা, এক্সিদেন্সিয়েল রিলিফ এমাউন্ট লুপা লাখ মঙা পীবা, কুকিং ষ্টাফ অনী ওইহনবা, ৱার্করশিংদা আইদেন্টি কার্দ পীবা, সম্মর ভেকেসন হোলিদনচিংবদা স্কুলগী ষ্টাফশিংগুম্না মিদ দে মিলগী ৱার্করশিংগীসু পে ফঙহনবা, মিদ দে মিলগী চাক থোংনবা মফম নীংথিনা শেম্বীবা অমদি পোৎ চৈথম্ফম নীংথিনা থম্বা, লৈঙাক্লা য়েরুম নীংথিনা সপ্লাই তৌবা হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু য়াওরি।

মিদ দে মিল ৱার্কর য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা স্কুল অঙাংশিংগী চাক থোংবগী থবক চত্থদুনা লাক্লি। চাক থোংবগী পোৎলমশিং মতম চানা অমদি নীংথিনা পীবা মথৌ তাই। স্কুল অঙাংশিংদা মতম চানা মিদ দে মিলগী চাক পীজনবা হোৎনরিবা মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী অৱাবা কয়াসু লৈঙাক্লা খঙবীবা অমদি পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা মিদ দে মিল ৱারকর্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি। য়ুনিয়ন অসিগী থৌ পুবা কয়ানসু মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

এম জি এফকী টিমনা সী এস উনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গভর্নমেন্ট সর্ভিস ফেদরেসনগী মীহুৎ কাঙবু অমনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি আর আর রশমিগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে হায়না ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি পুরুজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, ফেদরেসনগী টিম অদুদা মসিগী প্রসিদেন্ট ডা. এম রাজেন্দ্র জেনরেল সেক্রেটরি পুরুজিৎ, মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াইমা, এ আই এস জি এফকী রুমেন সব কম্মিটিগী মেম্বর ইন্দুবলাসু উনবা অদুদা শরুক য়াখি। নৌনা খল্লকখ্রবা চীফ সেক্রেটরিগা মীনিট ২০ রোম ৱারী শানদুনা ষ্টেট অসিদা তরেৎশুবা সেন্ত্রেল পে কম্মিসন মপুং ফানা চৎনহন্নবগী মতাংদা তকশিনখি। চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগীসু হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনগনি হায়বা ৱাফম থন্নকখি হায়নসু মখা তারি।

NEWLY [illegible] OPENED
SCHOLAR HOME GIRL'S HOSTEL
KEISHAMPAT LAISOM LEIRAK MACHIN
T.G. HIGHER SEC. SCHOOL -গী ছাত্রীশিংগীদমক অখন্নবা HOSTEL অমা হাংজরে। HOSTEL অসিনা FEE তানা লৌবা অমদি মমিং লৈরবা ওজাশিংনা SUBJECT শুনা COACHING পীবা য়াওনা খুদোংচাবা ময়াম অমা পীজরি।
FACILITIES :
❖ Under CC TV Surveilance
❖ Homely Care Food
❖ Sound Academic Atmosphere
❖ 24x7 Electricity & Water
❖ Lady Warden & Security Guard
❖ Separate Reading & Bed Room
❖ All Subject Experience Teacher
FEE ₹3,300/- per month
FULL A.C. READING ROOM
No Deposit & Admission Fee
LIMITED SEAT
Contact No. ☎ 7085798348
HL-P/1974/2to14 Jul.